# ষণগা ঙাগা পূন্না য়োকমিন্নবা

- ডা. সরাংথেম জেসুরানি -

পুখ্রিগী মপান্দা রিংবন্দ শেন্নগা ষণ লোয়দুনা ষন্থি-ষণয়ুং অমদি অরেম্বা মচিঞ্জাকশিং ঙা য়োক্লিবা পুখ্রিদা থাদদুনা ঙাগী মচিঞ্জাক ওইহন্নবা শীজিন্নদুনা পূন্না ঙাগা ষণগা য়োকমিন্নবসি হান্নদগী হৌনা চৎনরক্লি। অদুবু মসিদা খরা নিংথিনা কাঙলোন চুম্না য়োকপীরগদি হেন্না শেন্দোং লৈনা য়োকপা ঙমগনি।

**ষণগা ঙাগা পূন্না য়োকমিন্নবগী কান্নবশিং :**

ক) মতম অমত্তদা ষণ অমদি ঙাদগী শেন্থোক ৱাংনা লাকপা ঙম্মী।

খ) ষণ লোয়বদা শীজিন্নরিবা ঈশিং পূম্নমক পুখ্রিদগী ইরায় লায়না শীজিন্নবা ঙমহল্লি। ঈশিংগীদমক ৱাদে।

গ) ষণগোন শেংবগী মচুম পুখ্রিদা তাশিল্লগা ঙাগী মচিঞ্জাক ওইহল্লি। মসিদসু নত্তনা অরেম্বা মচিঞ্জাক পূম্নমক পুখ্রিদা থাদদুনা ঙাগী মচিঞ্জাক ওইবা য়াই।

ঘ) মপূং ফারবা ষণ অমনা চহী অমদা ষন্থি কেজি ৪০০০-৫০০০ অমদি ষণয়ুং লিটর ৩৫০০-৪০০০ ফাওবা পুথোকই। হায়রিবা ষন্থি-ষণয়ুংশিং অসি পুখ্রিদা থাদবা মতমদা মিনট অমদা সেন্টিমিটর ৬কী চাংদা লুপথৈ। মসিনা পুখ্রিদা লৈরিবা ঙাশিংনা ষন্থিদা য়াওরিবা চাবা য়াবা খুদিংমক চাবা ফংহনবতা নত্তনা পুখ্রি মনুংদা লৈরিবা ঐখোয়গী মীৎনা উবা ফংদবা ঙাগী মচিঞ্জাক ওইরিবা প্ল্যাঙ্কটোনশিংগী মশীং য়ামহনবদা চাউনা মতেং পাংই।

ঙ) ষন্থি-ষণয়ুংদা য়াওরিবা নাইট্রোজেন চাদা ১.৪১-১.১৭ ফোসফরস ০.৩৭-০.৩৯ অমদি পোটাস ১.৮-২.০ য়াওবা মরম্না ঙাগী মচিঞ্জাক ওইরিবা ফাইটোপ্লাঙ্কটোন অমদি জুপ্লাঙ্কটোনগী মশীং হেনগৎহল্লি। মরম অসিনা অতোপ্পা/তোঙানবা হার হাপ্পগী মথৌ তাদে। মসিনা ঙা চাউনবা হোৎনবদা চঙগদবা শেনফমদু চাদা ৭০গী মথক্তা হন্থহল্লি।

চ) করিগুম্বা মতমদা ষণশিংদু পুখ্রিগী অকোয়বদা পুথোক্তুনা শজিক চাহন্দুনা ষন্থি-ষণয়ুংশিংদু পুখ্রিদা কোয়রগা থাদবসু য়াই।

**ঙা য়োক্লবা পুখ্রি শেম্বা :** ঙা য়োক্লবগী পুখ্রিসি মিটর ১.৫ - ২.৫ মুক লুনা তৌবিদুনা শুনু অমদি ষন্থি পরী অমদা কেজি ৩৭০০গী চাংদা চাইথোকপীরবা মতুংদা নুমিৎ ১৫নি লৈরগা ঈশিং চনবীগনি মতুংদা হাপ্তা অমা লৈরগা ঙা মচাশিং সী এম ১০দগী তাদনা নৎত্রগা ১২-১৫ গ্রাম লূম্বা ঙা মচাশিং থাদবীগনি। ঙাগা ষণগা পূন্না লোয়মিন্নগদবনিনা



ঙা মখল শুনা য়োকপনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। পরি অমদা ঙা মশীং অসি ৭০০০ - ৮০০০গী চাংদা থাদবা য়াই। অদুবু নোর্থ ইষ্টকী ওইনদি ১০,০০০ ফাওবা থাদবা য়াই হায়না ফিসরি এক্সপার্টশিংনা থম্মী। মসিদা ঙা মখল ৬ হায়বদি কটলা (২০%), সিলভর কার্প (২০%), রৌ (২০%), মীরগল (১৫%), গ্রাস কার্প (১০%) অমদি কম্মন কার্প (১৫%) অসি থাদবা য়াই। ঙা থাদবা মতমদসু জুন-সেপ্টেম্বর ফাওবগী মতমদা থাদবীরগা চহী অমদা থম্বীরগা ফাদোকপীবা য়ারে।

**ষণগোন শাবা অমদি ষণ থম্বা :** ঙাগা ষণগা পূন্না য়োকমিন্নবদা পুখ্রিগী রিংবন্দদা ষণগোন শাবনা খ্বাইদগী ফৈ। মরমদি মসিদা ষন্থি-ষণয়ুং অমদি মচিঞ্জাক অরেম অপা খুদিংমক পুথোক-পুশিন তৌবগী লেবর চার্জ হন্থহল্লি। ষণগোন শাবা মতমদা নুংশা নিংথিনা ফংবা মফমদা ওইগদবনি। ষণগোন শাবা মতমদা লৈমায়দগী ৱাংখৎনা শাবীগনি অমদি পুখ্রিরোমদগী ষণগোন্দা ঈশিং তুংদনবা খরা ঙমথহনগনি। ষণ নান্থুদনবা ষণগোনদু কনক্রিট ওইনা তৌবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। ষণগোন মথক কুপ্পসি টিন নৎত্রগা ঈনা কুপ্পীবা য়াই।

ঐখোয়গী লমসিদা লৈরিবা ষণশিংসি ময়ায় ওইরপ্না চাউবনিনা পরি অমগী পুখ্রিদা ষণ ৫-৬ ফাওবা থম্বীবা য়াই। অদুগা অপিকপা ষণ ওইরগনা ৮-৯ ফাওবা থম্বীবা য়াই।

**ষণগোন শাবগী পাক চাউবা :**

| | | |
|---|---|---|
| ষণ লেপফম মফম ওইগদবা | - | ১.২ x ১.২ স্কৱার মিটর/ষণ |
| শজিক চাফম | - | মরাক - ০.৬ মিটর/ষণ লুবা - ৩০ সি এম |
| ষন্থি-ষণয়ুং চেনবা নলা | - | পাকপা-২০-৩ সিএম, লুবা-২.৫ সিএম |
| ষণনাও মচাগী কা | - | ১ x ১ স্কৱার মিটর/ষণনাও |
| হাতম থম্নবা | - | ২ x ১ স্কৱার মিটর/হাতম |

**পীজ-পীথকপা :**

| শঙ্গোম থোকপা লিটর/দে | মফোনগী শরুক (কেজি) | শজিক (কেজি) | চরূ (কেজি) |
|---|---|---|---|
| ৫ | - | ৩৫ | ৩.৫ |
| ৭.৫ | ১.২ | ৩৫ | ৩.৫ |
| ১০ | ২.৪ | ৩৫ | ৩.৫ |
| ১২.৫ | ৩.৬ | ৩৫ | ৩.৫ |
| ১৫ | ৪.৮ | ৩৫ | ৩.৫ |
| ২০ | ৭ | ৩৮ | ৩.৫ |

(সোর্স : এন আই এ এন পি, বেঙ্গলোর)

মসিগী মথক্তা ঐখোয়না থুম অমদি মিনরেল, ভিটামিনসু য়াওনা পীজবীগনি।

**লায়না ঙাকথোক্লবা :** লায়না কয়াদগী ঙাকথোক্লবা ষণশিংবু লূ-নান্না থম্বীবা মথৌ তাই। মসিগী মথক্তা মতম মতমগী ওইবা টিকা কাপ্পীবা অমদি তীলগী হীদাক থাবীগনি।

**পুখ্রিদা শুনু শীজিন্নবা :** ক্বিক লাইম শুনুসি পরি অমদা কেজি ২৫০/৩০০গী চাংদা শীজিন্নবা য়াই। মসিদা শরুক মরি থোকপগী অমনা পুখ্রি তৌবদা শীজিন্নবীরগা লেমহৌরিবা শরুক অদুনা খায়দোকপীরগা থা খুদিংগী চহী অমা চূপ্পা চাইবীবা য়াই।

**ঙাগা ষণগা পূন্না য়োকমিন্নবদগী পুথোরকপা পোত্থোক :** চহী অমদা পরি অমদা ষণ ৫-৬ থম্লগদি শঙ্গোম ৯০০ লিটর, ঙানা ৩০০০-৪০০০ কেজি/পরি ফংবা ঙম্মী।

ঐখোয়না ঙা খক্তং য়োকপগী মহুত্তা অতোপ্পা এন্টরপ্রাইজ অমা হাপ্পীদুনা হেন্না শেন্দাং লৈনা অমদি তুং কোইনা লৈনবা হোৎনবীগনি। ●

# অগরটলাগী ‘নির্মহল পেলেস’ য়েংলুবদা - (২)

## (রুদ্রাসাগর পাৎকী ইরোলনুংদা শারল্লিবা ‘নির্মহল পেলেস’ অগরটালাদা শারল্লিবা মহারাজ বির বিক্রম্বু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি)

সৌবাম বিরধজ

মহারাজ বির বিক্রম কিশ্বর দেববর্মহন মনিক্যা বাহাদুর (১৯০৮-১৯৪৭) ফাওবা ত্রিপুরাদা পাল্লম্মী। মহাক্না মনিক্যা শাগৈগী অরোইবা নিংথৌনি। মনিক্যা ডাইনেসতিনা ত্রিপুরাদা হৌখিবা কুমজা ১৪৬৩-১৯৪৭ ফাওবগী মনুংদা পূন্না নিংথৌ ৩৫ পাল্লম্মী। ত্রিপুরাগী অরোইবা নিংথৌ অসিনা লৈবাক অসিদা ফুরা, দলান কয়ামরুম শারমখি। লম্বী থোং কয়া শারম্বগা লোয়ননা ত্রাইবেল তাবা অরিবা চৎনবীবু নৌনা শেমদোক্তুনা হৌজিক চৎনরিবা টি টি এ এ দি সী (ত্রিপুরা ত্রাইবেল এরিয়া ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল) অসি মহাক্না খুদোল তৌরম্বনি। মহাক্কী মতমদগী ত্রিপুরাগী অনৌবা এয়রপোর্ট শেমদুনা মহাক্কী মমিং লৌদুনা থোনখি। মহাক্কী মমিংদা (ইন্সটিট্যুট ওফ স্কুল) ধর্ম্মনগরদা শারমখি। মহারাজ অসিগী মমিং লৌদুনা কোলেজ/য়ুনিভর্সিটিশিং অগরটালাদা শারমখি। মহারাজ অসি ত্রিপুরাগী অনৌবা আর্কিটেকচরনি হায়না শীংথানরিবনি। মহারাজ অসি খঙহৌদনা মশাগী চহী ৩৯ (১২/০১/১৯৪৭) দা তাইবঙপাল থাদোকখি।

মহারাজ অসিগী অমত্তা পোকচবা মচানুপা কিরিত বির বিক্রম কিশ্বর দেববর্মহন মনিক্যা চহী ১৩দং ঙাইরিবনা (মাইনর ওইরিবনা) মমা ইবেম্মা কঞ্চন প্রভা দেবীনা (রিজেন্ট মহারানি) ওইদুনা মচানুপা কিরিত (টুতরেল নিংথৌ) ওইনা ১২/০১/১৯৪৭তা পূন্না পানখি। থা খরগী তুংদা লৈবাক মনুংদা অমসুং মপান্দা ঈরাং লাকপা হৌরকপগা লোয়ননা ইষ্ট পাকিষ্টাননা অকনবা প্রেসর তৌরকপগী তাঞ্জা ওইরকখিবনা মমা ইবেম্মা কঞ্চন দেবী মহারানিগী কোক য়াম্না শারিবা মতমনি। মহাক্না ইন্দিয়াদা তিন্নবগী ফিরেপ লৌদুনা ১৫/১০/১৯৪৯দা মর্জর এগ্রীমেন্ট অমা ইবেম্মগা, মতমদুগী ইন্দিয়া লৈঙাক্কা খূৎয়েক পীনখিবনি। মদুগী মতুং চহী খরগী তুংদা কিরিত নিংথৌ লুহোংদুনা মচানুপী অনী পোকখি মচানুপা পোকখিদে। চহী খরগী তুংদা ত্রিপুরা ইষ্ট লোক সভা সিটকী ইলেক্সন্দা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসকী টিকেট ফংদুনা হৌখিবা কুমজা ১৯৬৭, ১৯৭৭, ১৯৮৯দা অহুম্লক মায় পাকখি। মরক্কী কাহৌদবা মীখলদনা ত্রিপুরাা কম্মুনিষ্ট মাক্সিসনা অমুক ঙম, কোংগ্রেসনা অমুক ঙম তৌনদুনা চৎখি। কিরিত মশাগী চহী ৭২ শুরকপা কুমজা ২৮/১১/২০০৬তা তাইবঙপাল থাদোকখি। মহাক্কী মচানুপী ‘প্রিগয়া দেব বার্মহন’ মপাবুংগী মহুত্তা ইষ্ট ত্রিপুরা লোক সভা সিটগী মীরেপ ওইনা থেংনখি। অহানবা লেপ্পদা মায় পাকখিদ্রে, বি জে পিনা মায় পাকখ্রে। চহী মীয়াই চল্লে, মতম য়াম্না লৈরি, কোংগ্রেসকী মতম লাকপা ঙাইরমগনি। ঙাইহাক শাগৈগী মরমদা কলম থৈরুরে অমুক নির্মহল পেলেস, রুদ্রসাগরদা লাকচরগে।

নির্মহল পেলেস য়ৌরদুনা বোটতগী কুমথরগা অপীকপা লম্বীদুদা লাক্লগা অচৌবা থাক থাক শিড়িদুদা কাখৎলে। নোংজুথাদা শিড়িদু শিড়ি অনী/অহুম ফাওবগী চাংদা ঈশিং ঈমাই হাইগৎলক্তুনা থুমখিবগী দাগফম্না শাংনা চাং মান্ননা তাদুনা লৈরি। কাখৎলকপদা অচৌবা বেলকোনি অমা লৈরিবদুদা লমকোইশিংনা ফোটো/ভিদিও ইকোই কোইনা মায়কৈ শিন থুংনা নম্নরি, বেলকোনিদগী মনুংলোমদা কুমথরক্লে। রুদ্রাসাগরগী ঈয়াইমক্তদা শারিবা ঈশিং-ঈপাক্না কোইশিনবগী ফজবসিদি তোঙানবা অমনি। ঐখোয়গী সেন্দ্রা টুরিষ্ট লোদজদগী চীংথক্তগী য়েংবগা ৱাখলগী খেন্নবদা খরদি তোঙাল্লি। রুদ্রাসাগরদা নির্মহল পেলেস শারল্লিবা মহারাজ বির বিক্রম্বু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি। পূক্লিংগী অপেনবনা হঞ্জিন হঞ্জিন্না মহারাজদা ইকায়খুম্নজরি। মহাক্তি ত্রিপুরাগী অনৌবা আর্কিটেকচরনি, মশামক্না দিজাইন তৌদুনা শাখিবনি হায়বসিদা অমুক্না হেন্না পেল্লিবনি। মতমদুগী তাঙলবা নূঙঙৌ, মার্বল অমসুং অতাঙবা লৈঙোই মখলশিং শীজিন্নদুনা শাখিবনি। মথং মথং মনুংদা চঙদুনা য়েংবদদি অঙকপা ফংনা ফজখ্রে। মফমদুদা টুরিষ্ট গাইদ খরা থেংনৈ, গাইদ অদুনা লমজিংদুনা মহারাজ অমসুং মহারানি অনী অদুগী পোত্থাফম ফমুং অনী থারিবদু লমকোইবশিংদা তাক্লি। মথং খনবা মন্ত্রিশিংনা লৈননবা কাশিং মথং-মথং লৈরি। অচৌবা হোল অমা লৈরম্মী। মফমদুদা মহারাজ অমসুং মহারানিগী জগোয় তম্ফম অমসুং জগোয় শাফমনি হায়না তাক্লি। ঈশৈ শকফম, কেফম, ফিজোল হোংফম, জন্তর ময়াম থম্ফম, ওজাশিংগী লৈফম্নচিংবা মথং মথংনি। মফমদুদগী মথকলোমদা অমুক কাখৎলক্লে অচৌবা লৈকোন অমা লৈরল্লে। মখল মখা য়াম্লবা লৈরাং কয়া ফুগাইনা শাৎলম্মী। য়েংলু য়েংলুবদা পূক্লিং মকা লাম্মী। মহারানিনা মতাশিংগা শান্নফম্নি হায়। শুম শুম চঙশিল্লগা নুপী অমসুং নুপাগী মপান থোকফম তোঙান তোঙান্না লৈরম্মী। মফমদুদা টুলু অমসুং ঈশিং চাইননবা পাইপশিং লৈরম্মী। নোং তাদবা মতমদা লৈ অমসুং পাম্বীশিংদু ঈশিং চাইননবনি। লৈ শেন্নবা মালিশিংগী লৈননবা মফম লৈরম্মী। মফম অদুদা ৱেষ্টর্ন থংবা শরুক্কী পনখৈ লোইরে।

ইষ্টর্ন মাইকৈদা অমুক লাক্লগা সিফাইশিংগী লৈফম, পুজারি অমসুং থবক শূবশিংগী লৈফম, চাক থোংফম, পোৎ চৈ থম্ফম অমসুং সন্ত্রিশিংনা শিন্না শিন্নদুনা লৈননবা মফম পূম্নমক অদুগী লৈফম, পোত্থাফম মথং মথং লৈখ্রে। করিগুম্বদা লমকোইবশিং অমসুং মীওই অমা নৎত্রগা কাঙবু অমনা পুং অমদগী হেন্না লৈথগে হায়রবদি অহেনবা শেনফম মী অমগী লুপা ১৫০ লৌগনি। বোট/হিজাওগীদি চৎনীংবা/হন্নীংবা মতমদা অদুম অমদা হেক্তা তোংবা য়াই। ঐখোয় তরুক্তি পুং অমগী মনুংদা অদুম লোইরদুনা হিজাওদুদা অমুক তোংদুনা হল্লক্লে। মফমদুদগী অমুক ‘কালি মন্দির’ লৈরিবা মখা মায়কৈরোমদা লাক্লে। টিকেট মমল লুপা ১৫০নি, টিকেট কল্লগা চীংথকলোমদা কাখৎলক্লে। মফমদুদনা অতোপ্পা তাইবঙপাল অমনি। চীংগী থেনশিংদা খূৎশেম্না কয়াদা নীংথিজনা শেল্লিবা, লাইগী চামরদগী হৌরগা মখল কয়াগী মুর্ত্তি, কেন্দল, কেন্দল ষ্টেন্দ, হুমাই, অঙাংগী শান্নপোৎ, ফিরোল, বোল, বাঁসি, ধুপ মখলশিং অমসুং চাফম/থকফম কয়া কয়ানি, চাফম অমদা চঙলগা করি করিনো খরা চাশিল্লে। কালি মন্দির মনুংদা দুর্গা পুজা মতমদদি অঙকপা ফংনা মীয়াম তিল্লি হায়নৈ। বলি কৎননবা ঙমু, ঙক্রা, খুনু, ঙানু, য়েন, হামেং, ষণ, ইরোই পূম্নমক কৎলরিবনি। কৎলরিবশিংদু মফম মফমদা য়োক্তুনা থল্লিবনি। পন্দিটশিংনা হায়রকপগী তুংইন্না মীওই অমগী দষা পাংদবা পূম্নমক ফনবা হায়রকপগী মতুংইন্না য়োক্লিবা জিবশিংদু মমল পীদুনা লৈগদৌবনি অমসুং বলি তৌরগা মীদুগী ফত্তবা পূম্নমক কোকই হায়না থাজনৈ। মরম অদুনা নুমিৎ খুদিংগী বলি তৌফমদা জিবশিং বলি তৌরিবনি। লাইখুরুম্বা লোইরগা কুমথরকপদা নুমিদাং পুং ৫.২০ তারে। ঐখোয়গী গাড়ী খাম্ফমদা কুমথরক্লে, মেলা য়েংবদা য়াম্না থেংলনি য়েংলগুমসি হায়নরদুনা ঐখোয়গী লৈফমদা হল্লক্তুনা পোত্থানরে। ঙাইহাক পোত্থারগসু রুদ্রাসাগর পাৎকী ময়ায়দা শাহৌরিবা নিংথিজরবা ‘নির্মহল পেলেস’ অদুবুদি হেক্তা নীংশিংলি। ●

ষ্টেটকী পাউ

# আর পি এফকী এক্টিং প্রসিদেন্টনা পি এল এগী ৪৫শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা মীয়ামদা পাউজেল...

লামায় ১গী মখা...

মীয়ামগী ওইবা ৱাহন্থোক্তা হায়বা তারগদি টেরর হায়রগা খঙনরিসি শোয়দনা খুদোং থীনিংঙাই ওইবা অকিবা অমা ইচেন চেন্নবা, য়াম্না শাথিবা নুং-পান ফাওনা অকি তুজুংবনা লাকহৎপা ফিভম অদুনি। ফিভম অসি মখল মখা কয়াদগী ওইবা য়াই। টেররিজমদা য়াওরিবা টেরর অসিদি করিগুম্বা পান্দম অমা ফঙননবগীদমক তৌরিবা তমথীবা থবকশিংদগী ওইরকপা অকি তুজুংবা ফাওরকপা, ৱাখল পুক্লিং লৈতাহন্দবা সাইকোলোজিকেল ইমপেক্ট অদুনি। টেররিজমগী মনুং চল্লিবা টেরর অসিদি শোয়বদগী তৌশিনখিবা নত্ত্রগা থবক থৌদোক অমদগী নাকোয়ননা ওইরকপা নত্তে, তৌগে য়াওনা তৌবা থবক্লি। টেরর অসি টেররিজমগী থবক্তা তোইনা শীজিন্নবা মরু ওইবা ষ্ট্রেটেজিগী মচল অমনি। টেররিজমগী থবক্কী মায়ওন কদোমদনো হায়বা তারগদি অতম্ন বা মীওই খরদা নত্ত্রগা মীয়ামদা (খুৎলায় পায়জ দবশিং) নত্ত্রগা সিম্বোলিক ওইবা টার্গেটশিংদা থৌওইনা ভাইওলেন্স শীজিন্নদুনা নত্ত্রগা ভাইলেন্স শীজিন্নগনি কিহন্দুনা অকি তুজুংবা পাখৎপা পোকহনবা নত্ত্রগা হায়ফম তৌফম খঙদবগী ফিভম অমা শাগৎপনি। টেররিজমগী মনুং চন্না পাঙথোক্লিবা টেররগী থবকশিং লোইনমক্তা পোলিটিকেল, আইদিওলোজিকেল, সোসল নত্ত্রগা রিলিজিয়স ওইবা পান্দম অমমমদি অদুম য়াওদবা লৈতে। অদুগা থবকশিং অসিদগী মখোয়না পাল্লিবদু গভর্ণমেন্ট নত্ত্রগা মীয়ামদা তৌহনবা নত্ত্রগা খরমখৈ নমদুনা ইলহন্নবা হোৎনবদা টেররবু খুৎলায় ওইনা শীজিন্নবনি। করিগুম্বা মতাংদনা টার্গেট তৌরিবা নাকল অদুদগী নমদুনা খুৎ হলহন্নবা নত্ত্রগা পাউখুম অমা পীনবা কায়হৌবদসু টেররগী টেক্টিসশিং শীজিন্নে হায়রি।

মণিপুরদা কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা চথুরিবা কেম্প্যেন অসি টেররিজমনি হায়বদা ময়েক শেংদবা নত্ত্রগা চয়েৎনবা ৱাফম অমত্তা লৈতে। লমদমসিগী পাউরৌদা হুই ঙাওরবদি হুইবু থীয়ু হায়নৈ। কুকি খুৎলায় পায়বশিংবু লিগেল ফ্রেমৱার্ক অমগী মনুং চন্না নাওয়োক নাওকোনবীরিবা, ঙাকপী শেনবীরিবা, মতেং পাঙবীরিবা, কেম্প্যেন অসি য়াহল্লিবা ইন্দিয়াগী গভর্ণমেন্ট অমসুং মখোয়গী খুৎলায় পায়বা ময়াং লাম্নীশিংনা লৌরিবা শক্লোন অসিসু ইফোঙ ফোঙবা অমা ওইরবনিনা মণিপুরদা ইন্দিয়ানা ষ্টেট স্পোন্সর্দ টেররিজমগী কেম্প্যেন অমা চথরে হায়বসিদা য়েৎননিংঙাই লৈত্রে হায়রি।

হৌজিক মণিপুরদা চথুরিবা ষ্টেট স্পোন্সর্দ টেররিজম অসিগী পুগদবা তেকচাক অদুদগী ইন্দিয়ানা লৈথোকপসু য়ারোই। মরমদি ইন্দিয়া অসি লৈবাক অমা ওইনা মালেমগী থাক্তা টেররিজম থেংনবগা মরী লৈনবা কাঙলোন কয়া অমা খুৎয়েক পীনদুনা লৈখ্রবনি। মসিগী মথক্তা ইন্দিয়ানা মণিপুরদা চথুরিবা ষ্টেট স্পোন্সর্দ টেররিজমনা মণিপুর মনুং খক্তদা অমাঙ অতা থোকহনবতা নত্তনা রিজনেল অমসুং গ্লোবেল ষ্টেবিলিটিদা অকায়বা পুরকখি। য়ুনাইটেদ নেসন্স নৌনা শেমদোক শেমজিন তৌনবা হোৎনরিবসিদা য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলদা লেঙদবা মফম অমা ফংননবা লৈবাক খরনা কন্না হোৎনরি। লৈবাকশিং অসিগী মনুংদা ইন্দিয়াসু অমনি। য়াম্না চাউবা য়াম্নসু লুবা থবক অমা ওইবনিনা ফম্ফম কন্ননবা হোৎনরিবা লৈবাকশিং মখোয় মশেল য়েংশিন্নবতা নত্তনা মালেমগী অতোপ্পা লৈবাকশিংনসু য়াম্না কুপ্না শেন্নৈ। য়ুএনগী মখাদা খুৎয়েক পীরিবা কাউন্টর টেররিজমগা মরী লৈনবা এগ্রিমেন্ট কয়া চৎনবা লৈবাক্লি হায়রগা ইন্দিয়ানা মণিপুরদা টেররিজম স্পোন্সর তৌরিবা অসিগা য়াম্না ওন্ন-তৈনবা অমা লৈরি। য়ুএন রিফোর্মেসনদা পুক্লিং চঙলিবা ষ্টেকহোল্ডরশিংনা ইন্দিয়ানা মণিপুরদা চথুরিবা ষ্টেট স্পোন্সর্দ টেররিজম অসি য়েংশিল্লম্লোইদবগী মরম লৈতে। ইকুই কুইদ্রিঙৈদা য়ুএনগী এক্সপার্ট খরনা মণিপুরগী মতাংদা (চুম্বা চুমদবা) ৱারোল থোকখিবা অমসুং মদুদা ইন্দিয়ানা অৱাই অখুম তৌনখিবদু খুদম অমনি হায়রি।

থোরক্লিবা ৱাহংদি গভর্ণমেন্টকা লিগেল খুৎয়েক পীনদুনা য়ানরগা লৈবা কাঙবু অমনা খুৎলায় পায়জদবা মীচম মীয়ামদা টেরর কেম্প্যেন অমা চথবা মতমদা গভর্ণমেন টনা খঙনা খঙনা, উনা উনা তুমিন্না লৈবসি অকায়বা অমত্তা লৈতবরা হায়না হংলদুনা মসিগী মথক্তা মখোয়নসু য়াই হায়বগী মওংদা লৈরবদি টেররিষ্টশিংনা তৌরিবা থবক্তা মতেং পাঙশিনবনি অমদি ষ্টেটনা টেররিজম স্পোন্সর তৌবনি হায়রোইদবগী মরম লৈরিবরা হায়নসু হংলক্লি।

মীয়ামদা অকি তুজুংবা ফাওরিবা, ৱাখলসু হকচাংসু লৈতাফম খঙদবা ...*মখা লমায় ৭তা*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৪

১) “**পোইরৈ নাৎকী ৱারেং**” হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

২) “**কুরঙ্গনয়নী**” হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল রাইটর কনানো?

৩) “**নুমিদাংৱাইরমগী চিগোংলৈ**” হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপান লমগী মমিং লৈরবা অইবা অমনা ইবনি। অইবা অসি কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৪) **“হুন্দোক্লমই উনানা উপালবু নাকেন্থাদা**
**ফুদৎপদা -**
**লাংবনগী শারবা নুংশানা**
**ৱাকচিংগী উন পুবা নুংশিৎনা**
**কপ্লি উনানা হুন্দোক্লম্লবা পামেল।”**

শৈরেং মতেক অসি শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লৌথোরক্লিবা শৈরেং লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৫) “**লোইয়ুম্বা**” হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো অমসুং কনানা ইবনো?



HL-B/8193/1 Aug to 29 Sept

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।